# নেহরুদি মহাক্না তৌরম্বা থবকশিংনা মশক খঙবনি ঃ রাহুল গান্ধী

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা লৈবা নেহরু মেমোরিয়েল ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি (এন এম এম এল) বু প্রাইম মিনিষ্টরস মেমোরিয়েল ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি (পি এম এম এল) হায়না মমিং ওন্থোকখিবগী মতাংদা চয়েৎনবা কয়া থোকখ্রবা মতুং কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মবুধৌ নেহরু মমিংনা ফাওবা নত্তে। মহাক্না তৌরম্বা থবক থৌরমশিংনা মীয়াম্না মহাকপু মশক খঙবনি হায়রি।






পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবদা সেন্তরদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা হান্না লৈরম্বা ইন্সটিট্যুসন কয়াগী মমিং হোংদোকপগী থবক চখ্বরি। মমিং হোংদোক্লগা মখোয়না লাক্কদবা মীখলশিংদা মায় পাক্কনি হায়না থাজরি। অদুবু নেহরু মেমোরিয়েল ম্যুজিয়মগী মমিং হোংদোক্লবসু মীয়াম্না লৈবাক অসিগীদমক্তা নেহরুনা তৌরমখিবা থবক থৌরমশিং অদুদি কৈদৌনুংদা কাউবা লৈরোই। মরম অদুনা সেন্তরদা লৈরিবা লৈঙাক্না এন এম এম এল বু পি এম এম এল ওইনা মমিং ওন্থোকখিবদা নুংনাংবা পোক্তে হায়রি।

নেহরু মেমোরিয়েল ম্যুজিয়ম মমিং ওন্থোকপগী মতাংদা ওপোজিসন অমসুং রুলিং পার্টিগী মরক্তা অকনবা মওংদা অৱাই অখুম তৌনখিবনি। সেন্তরনা নেহরু মেমোরিয়েল ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরিবু প্রাইম মিনিষ্টরস মেমোরিয়েল ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরি হায়না ওন্থোকখিবা অদুগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা জয়রাম রামেসনা হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা ফোঙদোকখিবদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিগী নীংতম্নবগীদমক কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরমখিবা জৱাহরলাল নেহরুগী মহুৎ শিনবা কৈদৌনুংদা ঙম্লোই।

মালেমনা শকখঙলবা নেহরু মেমোরিয়েল ম্যুজিয়ম এন্দ লাইব্রেরিগী অনৌবা মমিং অমা ঙসি ঐখোয়না তাবা ফংলে। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ইন্সটিট্যুসন অসিগী মমিং হোংদোক্লিবা অসি মহাক্কী ৱাখল্লোনদা অকিবা ফাওবননি। লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী শাংনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরমখিবা নেহরুগী মিংচৎ থীহন্নবা অমদি নেহরুনা তৌরমখিবা থবক থৌরম কয়া অদুবু লৈখা তানা মাঙহনবনা নরেন্দ্র মোদিগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি হায়রি।

অমরোমদা বি জে পি লুচিংবা রবি শঙ্কর প্রসাদনা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেস পার্টি অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী ৱাখল্লোন্দা খেন্নবা কয়া লৈ। কোংগ্রেস পার্টি অমসুং জয়রাম রামেসনা নেহরু অমদি মখোয়গী ইমুং-মনুং খক্কী খল্লি অদুবু নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমথোল অসিবু য়াম্না থাক ৱাংনা লৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা লৈরমখিবশিংবু ইকাইখুম্নবা উৎনবগীদমক ম্যুজিয়মগী মমিং হোংদোকখিবনি। মসিদা কোংগ্রেসনা মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসি লাইবক থীবনি হায়রি।

# পোকখাইহন্নবা মচাকশিং রিকোভর তৌখ্রে

**গাদচিরোলি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী):**

ছটিসগরগা তাইননা লৈবা মহারাষ্ট্রগী গাদচিরোলি দিষ্ট্রিক্টতা পুলিসনা চথখিবা অখন্নবা ওপরেসন অমদা পোকখাইহন্নবা মচাকশিং য়াওনা মাওইষ্টশিংনা শিজিন্নরম্বা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়না পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা গাদচিরোলিগী এস পি নিলোটপালনা ফোঙদোকখিবদা সান্দ্রাদা মাওইষ্ট কেম্প অমা লৈরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ওগষ্ট ১৫ গী নুমিদাংদা পুলিসনা ফংখি। অদুবু ঙমখৈগী শরুক ওইবনা ছটিসগরগী মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংদা পাউ পীরবা মতুং ষ্টেট অনিগী পুলিস টিমনা অপুনবা ওপরেসন অমা হায়রিবা মফমশিং অদুদা চথখি। মদুদা হান্না লৈরম্বা মাওইষ্টশিংনা নোংমৈ কাপথোরকখি লোয়ননা মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি হায়রি।

# মধ্য প্রদেশ মীখলদা কোংগ্রেসনা সিট ১৫০ হেন্না মায় পাকপা ঙমগনি ঃ দিগভিজয় সিংহ

**ভোপাল, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

চহি অসিগী অরোইবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা মধ্য প্রদেশ এসেমব্লি ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসনা সিট ১৫০ হেন্না মায় পাকপা ঙমগনি হায়না রাজ্য সভাগী এম পি সু ওইরিবা সিনিয়র কোংগ্রেস লিদর দিগভিজয় সিংহনা ফোঙদোরক্লি।



পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা রাজ্য সভাগী এম পি অসিনা হায়, পোলিটিক্সতা লাইনিং লাইশোনগী মফম লৈতে। মীপুম খুদিংমক্না মানা চৎনিংবা লাইনিং চৎপদা অকায়বা লৈতে। অদুবু পোলিটিক্সতা লাইনিং লাইশোনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং পুশিল্লক্তুনা অপিকপা মখলগী থবকশিং আর এস এস না তৌরি। হিন্দুটভা হায়বসি করিনো, মসিনা পোলিটিক্সতা মতৌ করম্না বি জে পি না মরী লৈনহল্লক্লিবনো হায়বসি খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। লাইনিং লাইশোনগী মিংদা ভোট খোন্বা হায়বসি লিগেল ওফেন্সনি। হিন্দুটভা হায়বা ৱাহৈ অসি বি জে পি গী আইদলসু ওইরিবা ফ্রিদম ফাইটর ভি দি সাভরকরনা হৌদোক্লম্বনি। লুচিংবা অসিনা ফোঙদোক্লমখিবগী মতুং ইন্না হিন্দুটভা, হিন্দু অমসুং সনাতন ধর্ম্ম হায়রিবা ৩ অসি মরী অমত্তা লৈনদে। লৈবাক অসি মীপুম খুদিংমক্কীনি হায়রমখিবনি।

অমরোমদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এম পি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোংগ্রেসনা পৱার পায়রবা মতুং আর এস এসকী মসা বজ্রং দলবু অথিংবা থম্বগী ৱাফম লৈতে। বজ্রং দলদা য়াওরিবা অফবা মীওই খুদিংমকপু কোংগ্রেসনা ইকাইখুম্নবা উৎলি হায়রি। পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৮ গী মীখলদা কোংগ্রেসনা সিট ১১৪ ফংদুনা মায় পাকখি। অদুগা বি জে পি না সিট ১০৯ ফংখিবনি। মদুগী মতুং কোংগ্রেস লেজিসলেচর ২২ না বি জে পিদা সপোর্ট তৌদুনা কমলনাথনা লুচিংবা লৈঙাক অমা মধ্য প্রদেশতা বি জে পি না শেমখিবনি।

# মোলেস্টেসন চার্জগা মরী লৈননা আই পি এস ওফিসর সস্পেন্দ তৌখ্রে

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

গৌৱাদা হৌজিক হৌজিক পোষ্টিং তারিবা আই পি এস ওফিসার অমা মোলেস্টেসন চার্জগা মরী লৈননা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা সস্পেন্দ তৌখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

গৌৱাদা লৈবা নাইট ক্লব অমদা আই পি এস ওফিসার অসিনা নুপী অমা মোলেষ্ট তৌখি হায়বগী কেস অমা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পুখৎলকখিবনি। ২০০৯ গী আই পি এস কেদর ওইরিবা এ কোন দি আই জি রেঙ্ককী ওফিসারনি। হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা গৌৱাদা লৈবা নাইট ক্লব অমদা টুরিষ্ট খরা পার্টি তৌদুনা লৈরিঙৈদা আই পি এস ওফিসার অসিনা চংশিল্লক্লগা টুরিষ্ট নুপী অমদা মখুৎ শাংখিবনি। থৌদোক অসি ষ্টেট এসেমব্লিদা গৌৱা ফোরৱার্দ পার্টিগী প্রসিদেন্ট বিজয় সরদেসাই অমদি বি জে পি এম এল এ মাইকেল লোবোনা পুখৎখিবগা লোয়ননা আই পি এস ওফিসার অসিগী মথক্তা এক্সন লৌখৎনবা তকশিনখিবনি। মদুগী মতুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা সস্পেন্দসন ওর্দর থোক্লকখিবনি হায়রি।

# আই এন দি আই এ কনক্লেভতা অজিট পৱারগী মতাংদা খন্নগনি

**মুম্বাই, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

থা অসিগী ৩১ অমসুং মথং থাগী ১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপোজিসন এলাইন্স আই এন দি আই এ গী কনক্লেভতা কোংগ্রেসনা এন সী পি গী ফাউন্দর সরদ পৱারগা লোয়ননা মহারাষ্ট্রা লৈঙাক্তা ওইরিবা এন সী পি ফেক্সনগী লুচিংবা অজিট পৱারগী মতাংদা খন্নগনি হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মহারাষ্ট্রা কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ননা পাতোলেনা ফোঙদোকখিবদা এন সী পিগী লুচিংবা সরদ পৱারদা ঐখোয়না চিংনবা অমত্তা লৈতে। অদুবু সরদ পৱারগী মচাশিং থোকপা অজিট পৱারনা মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা য়াওশিনখিবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ৱাখল্লোন্দা চিংনবা কয়া পোকহল্লে। সরদ পৱারগী তোঙানবা পার্টি অমা লৈজে। আই এন দি আই এ এলাইন্সতা য়াওরিবা সরদ পৱারদা ঐখোয়না চিংনবা অমত্তা লৈতে হায়রি।

মহাক্না হায়, সরদ পৱার ঐখোয়না অৱাংবা থাক্তা ইকাইখুম্নরিবা সিনিয়র পোলিটিসিয়ান অমনি। আই এন দি আই এ গী মীফমদা ঐখোয়গী হাই কম্মান্দনা অজিট পৱারগী মতাংদা সরদ পৱারগা খন্নগনি। মরমদি অজিট পৱারনা মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক্তা শৌগৎখিবগা লোয়ননা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা কোংগ্রেস অমসুং সিভ সেনা (য়ু বি টি) গী থৌমীশিংদা চরাংনবা কয়া থোকহনখি। অদুমওইনমক কোংগ্রেস অমসুং ওপোজিসন এলাইন্সকী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি বি জে পিবু মায়থিবা পীবনি হায়রি।

অমরোমদা ঔরঙ্গবাদতা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমদা সরদ পৱারনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী মচাশিং থোকপা অজিট পৱারগা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা উন্নখিবা অদু পোলিটিকেলগা হিরম অমত্তদা মরী লৈনদে। ইমুং-মনুংগী ওইবা ৱাফমশিং খন্ননবগীদমক অজিট পৱারগা উন্নখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকঅর্জুন খর্গেগা উন্নদুনা ৱারী শানখ্রে। কোংগ্রেস লুচিংবা অসিগী মাইকৈদগীসু সরদ পৱার অমসুং অজিট পৱার উন্নখিবা অদু ইমুং-মনুংগী ওইবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি অজিট পৱারনা মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা মতেং পাংশিনখিবা অদুবু এন সী পিগী চিফ সরদ পৱারনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা অজিট পৱারগী ফিরেপ অদুগী মতাংদা মরী লৈনদে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

# এম্বুসশিংদা চেন্নবা মাওইষ্ট মতে মনাও পুলিসতা চংজরকখ্রে

**সুকমা, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

ছটিসগরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথখিবা এম্বুস কয়াদা চেন্নবগীদমক লুপা লাক্ষ ২ গী রিৱার্দ লাউথোকখ্রবা মাওইষ্ট মতে-মনাও ঙসি ছটিসগরগী সুকমা দিষ্ট্রিক্টতা খুৎলাই থাদোক্তুনা পুলিসতা চংজরকখ্রে হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

সুকমাগী এস পি কিরন চবননা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ঙসি খুৎলাই থাদোক্তুনা চংজরকখ্রবা মীওই অনি অদুদি নন্দা অমসুং মহাক্কী লোয়নবী সোমেনি। মখোয় অনি হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা সিক্যুরিটি পার্সোনেল ১৭ হাৎখিবগী এম্বুসতা চেন্নবা মীওইশিংনি। মদুগী মতুং মখোয় অনি য়াওবা টিম অমনা হৌখিবা কুমজা ২০২১ দা তকালবুধাদা এটেক চথদুনা মীওই ২১ হাৎখিবনি।

নন্দা কোন্তা লোকেল ওর্গনাইজেসন স্কাউদকী মেম্বর অমনি অদুগা মহাক্কী লোয়নবী সোমেনা জগরগুন্দা লোকেল ওর্গনাইজেসন স্কাউদকী মেম্বরনি। সোমে হৌখিবা কুমজা ২০১২ দা মাওইষ্টতা য়াওখিবনি অদুগা নন্দনা হৌখিবা ২০১৫ দা মাওইষ্টতা য়াওখিবনি হায়রি।

# নুমিৎ নিনিদা ইন্দিয়ান পাইলোট ২ শিখি

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ইন্দিয়ান পাইলোট ২ থংন-থংননা শিবগী থৌদোকশিং থোকখি। মদুগী মনুংদা অমনা ঙসি নাগপুরদা লৈখিদবনি অদুগা অতোপ্পা অমনা ঙরাং ফ্লাইট মনুংদা লৈখিদবনি হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না ঙসি লৈখিদ্রবা ইন্দিগোগী কেপ্টেন অদু নাগপুরদগী পুনে ফাওবা পাইগদবা ফ্লাইটতা মথৌ তৌগদবনি। মহাক এরোপ্লেন তম্না লাকপদা বোর্দিং গেটতা খঙহৌদনা ৱান্থরকখিবনি। খুদক্তা মহাকপু হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুমওইনমক শিনা পুখৎলক্লে হায়না লাউথোরকখিবনি।

পাইলোট অসি ঙরাং সেক্তর অনি ওপরেট তৌখি। সেক্তর অনি অদুদি ত্রিভানদ্রম টু নাগপুর ভাইয়া পুনেনি। হায়রিবা অসি নোংঙাল্লমদাই পুং ৩ দগী অয়ুক পুং ৭ ফাওবদা পাইখিবনি। মদুগী মতুং মহাক পুং ২৭ পোথাখিবগা লোয়ননা ঙসি সেক্তর ৪ দা পাইনবগীদমক থৌরাংখিবনি। অদুমওইনমক ঙসি নুংথিল পুং ৩ রোম তাবদা মহাক লৈখিদবনি হায়রি।

অমরোমদা ঙরাং মীয়ামি টু চিল্লি তম্না পাইখিবা কম্মর্সিয়েল ফ্লাইটকী পাইলোট অমা বাথ রুমদা খঙহৌদনা ৱান্থরকপদগী ইমার্জেন্সি লেন্দিং তৌখিবগা লোয়ননা হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুমওইনমক মহাক হার্ট এটেকনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়না মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোরকখিবনি।

নাকল অমরোমদা ইন্দিগোনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না ঙসি নাগপুরদা মখোয়গী পাইলোট অমা খঙহৌদনা লৈখিদবা অদুদা অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা পাইলোট অদুগী ইমুং-মনুংনা থেংনরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি। লৈখিদ্রবা পাইলোট নাগপুর এয়রপোর্টতা খঙহৌদনা মশা ঙম্লক্তবদগী খুদক্তা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংনবা হোৎনখি। অদুবু লাইবক থীবদগী মহাক লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি। মসিগীদমক ইন্দিগোগী মাইকৈদগী অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়রি।

# নোংমদি সরদ পৱারনা মোদিবু শোয়দনা শৌগৎলক্কনিঃ চন্দ্রসেখর

**নাগপুর, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

ইন্দিয়াবু হেন্না মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী চিফ সরদ পৱারনা নোংমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা শোয়দনা শৌগৎলক্কনি হায়না মহারাষ্ট্রা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট চন্দ্রসেখর বৱানকুলেনা ফোঙদোরক্লি।

নাগপুর এয়রপোর্টতা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরদুনা বি জে পি লুচিংবা অসিনা হায়, মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক অসিদা এন সী পিগী লুচিংবা অজিট পৱারনা শৌগৎখিবগা লোয়ননা মহাক মশা ষ্টেট অসিগী দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে। মমাং চয়োলদা পুনেদা সরদ পৱার অমসুং অজিট পৱার উনখিবগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি। অদুবু সরদ পৱারনদি মদু ইমুং-মনুংগী ওইবা ৱাফমনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু নোংমদি শোয়দনা মোদিদা শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

# নোংমৈ চিন্দোলদা লুট তৌখ্রে

**বুদাউন, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

উত্তর প্রদেশকী মী য়াম্না চিনবা লবেলা চোক মনাক নক্না লৈবা অহল ওইরবা ডাক্তর মতে-মনাও অমগী য়ুমদা খুৎলাই পায়বা মীওই ৬ না নম্ফুদ্দা ময়ুমদা চংলক্লবা মতুং লুট তৌখ্রে হায়রি। পুলিসকী রিপোর্ট মতুং ইন্না হায়রিবা মীওই ৬ অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবদা ডা. সুরেন্দ্রনাথ গোভিল অমসুং ডা. ম্রিদুলা গোভিলগী ময়ুমদা পেসেন্ট শাদুনা লাকখিবনি। মদুগী মতুং নোংমৈ উৎলগা য়ুমদা লৈরম্বা শেল অমদি সনা লুপাশিং লুট তৌদুনা পুখিবনি হায়রি।

# ‘মণিপুর মৈ হৌনা চাক্লিঙৈদা বি জে পিনা ইলেক্সন কেম্পেইনদা থবক চিল্লি’

**ন্যু দেল্লি, ওগষ্ট ১৭ (এজেন্সী) :**

মণিপুরদা থা ৩ হেন্না চথদুনা লাক্লিবা ভাইওলেন্সকী থৌওং অসিবু থীংনবা হোৎনবগী মহুৎতা বি জে পিনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ইলেক্সন কেম্পেইনদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা লৈরে হায়না কোংগ্রেস লুচিংবা মালিকঅর্জুন খর্গেনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক চাক্লিবা মৈ অসি বি জে পি লৈঙাক্না মুথৎনবা হোৎনদে হায়নসু মরাল শিখ্রে।



ঙসি ন্যু দেল্লিদা লৈবা টলকাটোরা ষ্টদিয়মদা মহিলা কোংগ্রেস কম্মিটিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট খর্গেনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা মণিপুর ৱাথোক য়েংশিন্নবগীদমক ষ্টেট অদুদা চৎপা ঙম্লগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা করি মরমগীদমক চৎপা ঙমদ্রিবনো। মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইরগা নুপীশিংদা পামদবা থৌদোক কয়া চথবগী পাউ ঐখোয়না তারে। ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে। কয়ানা গেঙ রেপকী ভিক্টিম ওইরি অদুগা খরা অমনা হাৎতোকপীখ্রে। অদুবু হিরম অসিদা বি জে পি না মীৎয়েং চংবগী মহুৎতা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ইলেক্সন কেম্পেইনদা থবক কা হেন্না চিন্দুনা লৈরে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা লোইশিনখিবা নোংজু মীফম অদুদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকউ হায়বা য়াখিদে। ওপোজিসনশিংনা নো কনফিদেন্স মোসন পুখৎলবা মতুংদতা পার্লিয়ামেন্টতা ৱাফম খরখক ফোঙদোকখিবনি। মদুদসু মণিপুরগী ৱাথোক মতৌ করম্না লোইহিনগদগে হায়বগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে হায়রি।

লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থৌদোক কয়া থোক্লি। মণিপুরদসু ভাইওলেন্সকী থৌদোক্লা মীওই ১৬০ হেন্না শিহনখ্রে। লিশিং ৬০ রোম ময়ুম মকৈ লৈহনখিদ্রে। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মখা তানা মণিপুর ৱাথোক্কী মতাংদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্ত্রিবা অসি লাইবক থীবনি হায়রি।

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

**Ref :- Mut Case No. 221/AS&SO-X** **Date: 16/08/2023**

Khundrakpam Romeshwor Singh S/o (L) Kh. Leibakmacha Singh of Thoubal Haokha Maning Leikai

- Applicant

- Vrs -

(Late) Co-Pattadar No. 1 Khundrakpam Leibakmacha Singh of Haokha Maning Leikai - Opp.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Date, 17/08/2023

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নম্বর ৫৫১ (অরিবা) ৭৪৭ (অনৌবা) দাগ নম্বর ৩১৭৭, এরিয়া .১৪৫০ হেক্টর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১শুবা মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারি খুন্দ্রাকপম রোমেশ্বর সিংহদা, দাগকী মনুংদগী মখা থংবা শরুক্তা হেক্তর .০৩৬৩ অসি নমা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চেদা হাপ্লকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer-X**
DSLR, Manipur

HL-P/7480/18 Aug.

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref :- Mutation Case No. 414/SDC/IW(H) of 2023 dt. 7/8/2023**

1. Khoisnam Rajendra Singh S/o Chaoba Singh (0.05 acre)
2. - do - Kunjabihari Singh S/o - do - (0.05 acre)
3. - do - Rangni Devi W/o (L) Khoisnam Biren Singh (0.05 acre)

Are all of Malom Tuliyaima Mamang Leikai

-VS-

(Late) Khoisnam (O) Shijakhombi Devi W/o Chaoba Singh of Malom Tuliyaima

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dated/Hiyangthang, the 17/08/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 3 Meitram পট্টা নং .... (অরিবা) 975 (অনৌবা) গী হাল ডাগ নং ..... (অরিবা) 505/1154 (অনৌবা) গী এরিয়া 0.15 একর চাওবা ইংখোল অসিগী Pattadar অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা Pattadar গী লম মখৈ মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 24/08/2023 ইং, ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাক্তুনা নত্রগা অইবা চেরোলনা আপ্তী/ Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang

HL-P/7478/18 Aug.

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (S) MAYANG IMPHAL

**Ref: Mutation case No. : 164/SDC/(IW/MI) of 2023**

Mohammad Hatim S/o (Late) Abdul Kadir of Laphu Pat Tera Awang

... Petitioners

- Vrs -

(late) Abdul Kadir Mia S/o (Late) Sanaton Haji of Laphu Pat Tera Awang ... O.P. Party

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dated. 16-08-2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি, মদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট তহশিল খুন নং ৬৮-লফু পাৎ তেরা পাৎতা নং ২১,১৪৩ অরিবা ৪ অনৌবা দাগ নং ৮৪ এরিয়া ১.৩০ একর চাওবা তাওথবী লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মথক্কী পেটিসনরনা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইরগা মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অমদি কো-পাট্টারশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মখাগী কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা অপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

**Sd/- L. Ashakumar Singh**
Sub-Deputy Collector, Imphal West (S)
Mayang Imphal

HL-P/7464/18 Aug.

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 404/AS&SO/I** **Date. 09.8.23**

Naorem Birjit Singh S/o Ningthoujao Singh of Kakching Sumak Leikai

- Petitioner

- Vrs -

Late : Naorem Ibomcha Singh S/o Angou Singh of Kakching Khullen - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

17/8/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং 59-Kakching Khullen পাটা নং 2 (Old) 792 অনৌবা দাগ নং 57/322 এরিয়া .20 একর ইংখোল অসিগী পাটাদার Late: Naorem Ibomcha Singh S/o Angou Singh of Kakching Khullen অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাটাদারগী মীং ককথৎপীরগা Petitioner গী/শিংগী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching : Manipur

HL-P/7473/18 Aug.

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, GOVT. OF MANIPUR

**Ref :- Mut Case No. 220/AS&SO-X** **Date: 16/8/2023**

1. Thiyam Jugeshwor Singh S/o (L) Th. Leishang Singh of Kiyam Makha Leikai Thoubal.
2. Karnajit Thiyam S/o Th. Sanjit Singh of Kiyam Makha Leikai Thoubal.
3. Thiyam Solendrajit Singh S/o Sanjit Singh of Kiyam Makha Leikai Thoubal.

- Applicant

- Vrs -

(Late) 1. Thiyam Leishang Singh S/o (L) Th. Amuba Singh of Kiyam.
2. Thiyam Ongbi Kummu Devi W/o Liklai Singh of Kiyam.

- Opp.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

Dated 17/8/2023

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল লিলোং খুল নং ২২-কিয়াম সিফাই পাট্টা নং ৩৩৫ (অরিবা) ৩৩১ (অনৌবা) দাগ নং ১৩৮৪ এরিয়া .২৩০০ হেক্টর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অমসুং ২ মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা, মৃ: ১ শুবগী শরুক্তগী দংকারি (১) থিয়াম জুগেশ্বর সিংহদা .০৫৩১ হেক্তর, (২) কারনাজিৎ থিয়ামদা হেক্তর .০৬১৯, মৃ: ২শুবগী শরুক .১১৫০ হেক্তরনা দংকারি থিয়াম সোলেন্দ্রাজিৎ সিংহদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Assistant Survey & Settlement Officer-X**
**DSLR, Manipur**

HL-P/7480/18 Aug.

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 401/AS&SO** **Date. 09.8.23**

Salam Tenison Singh S/o (L) Shyamkeshwor Singh of Kakching Wairi Salam Leikai

- Vrs -

- Do - Shyamkeshwor Singh S/o (L) Mitong of - Do -

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

17/8/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৬২/ককচিং ৱাইরি পাটা নং ৩২/৮৭৫/২১২০ অনৌবা দাগ নং ৩২২৪/৩৫২০ এরিয়া .০৪১৭ একর ইংখোল অসিগী পাটাদার সালাম শ্যামকিশ্বর সিংহ পী: মৃ: মিতোং সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি সলাম লৈকাই অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাটাদারগী মীং ককথৎপীরগা Petitioner গী/শিংগী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching : Manipur

HL-P/7473/18 Aug.

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 403/AS&SO/I** **Date. 09.8.23**

Thounaojam Ongbi Sunita Leima W/o Premkumar Meitei of Langmeidong Maning Makha Leikai

- Petitioner

- Vrs -

Late : Huidrom Ramanimohon Singh S/o Late Kokngang Singh of Langmeidong Awang Leikai - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

17/8/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং 71-Langmeidong পাটা নং 188 (Old), 472/A অনৌবা দাগ নং 1213/A এরিয়া .49 একর ইংখোল অসিগী পাটাদার Huidrom Ramanimohon Singh S/o Late Kokngang Singh of Langmeidong Awang Leikai অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাটাদারগী মীং ককথৎপীরগা Petitioner গী/শিংগী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching : Manipur

HL-P/7473/18 Aug.

## IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING MANIPUR

**Ref :- Mutation Case No. 406/AS&SO/I** **Date. 09.8.23**

1. Mayanglambam Monba S/o (L) Shekhon Singh of Kakching Turel Wangma Ningthou Pareng.
2. Mayanglambam Inaoton Singh S/o (L) do of do

- Petitioners

- Vrs -

Late : Mayanglambam Shekhon Singh S/o (L) Shellung Singh of Kakching Khullen Turel Wangma. - O.P.

**ꯆꯩꯊꯣꯡ / NOTICE**

17/8/2023

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং 57-Kakching Khullen পাটা নং 39(O), 242 (N) অনৌবা দাগ নং 519 এরিয়া .52 একর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাটাদার Mayanglambam Shekhon Singh S/o (L) Shellung Singh of Kakching Khullen Turel Wangma অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাটাদারগী মীং ককথৎপীরগা Petitioner গী/শিংগী মীংদা নামা পানবিরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি নশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching : Manipur

HL-P/7473/18 Aug.